**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-10.2024)**

**জয়েন্তি (এল)ঃ** জাতিগী মপা, মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ গান্ধি জয়েন্তি লৈবাক শিনবা থুংনা হয়েং পাঙথোক্কনি। মনিপুরদসু থৌরম অসি হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমসুং লুচিংবা কয়ানা লৈ কৎতুনা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা, মনিপুরগী রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা মীয়মাদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-মহাত্মা গান্ধি অচুম্ববু পামজবা, চাউথোকপা লৈতবা য়ামা চমা হিংবা পামখিবা মীওই অমনি। মহাত্মা গান্ধিনা তম্বীরম্বা পারা অদু ঐখোয় খুদিংমকা ইনদুনা চৎলবদি লৈবাক অসি শান্তি লৈবা অমদি মরা চেৎপা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি। মহাত্মা গান্ধিনা পামজরম্বা লু-নানবা অদুবু শকখঙদুনা লৈবাক অসিনা স্বাছ ভারত মীসন হৌদোক্তুনা লৈবাক শিনবা থুংনা লু-নানবগী কেম্পেইন চংশিল্লক্লি।

**খাদি (এল)ঃ** জাতিগী মপা, মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ গান্ধি জয়েন্তিগা মরী লৈননা মনিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্ডনা শিনদুনা খাদিগী পোৎথোকশিং য়োনবগী থৌরম অমা ঙসিদগী লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা বোর্ড অসিগী ওফিসতা হৌখ্রে।

নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মেঘা ক্লিয়ারেঞ্জ সেল হৌদোক্লদুনা মনিপুর খাদি এন্দ

ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্ডকী চেয়ারমেন-নোংথোম্বম নিমবসনা হায়-ভারত নীংখা তমবা হোৎনবদা মহাত্মা গান্ধিনা লৌরম্বা থৌদাং অমদি খাদিগী পোৎথোকশিং অদুনা মতম অদুগী খোঙজংশিংদা অচৌবা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নখি। খাদিগী পোৎলমশিং অসি খুন্নাই অসিগী অমসুং অমত্তা ওইবগী খুদমনি।

শ্রী নিম্বসনা হায়-খুৎশা-হৈরবশিংনা পুথোক্লিবা পোৎথোকশিং বোর্ডনা লৌশিল্লবা মতুং অহোংবা মমলদা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, খুৎশা-হৈবা মীওইশিংবু পুকিং থৌগৎপদা নত্তনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা হিংবা ঙমবা হায়বা পান্দমদা পায়খৎপনি। লমদম অসিগী মীয়ামনা খুৎশা-হৈবশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা মখোয়না য়োল্লিবা খাদিগী পোৎলমশিং অসি লৈবিদুনা ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ চাউখৎনবা অমদি খুৎশা-হৈবশিংবু পুকিং থৌগৎনবা হোৎনবীয়ু।

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী হৈঙাংদা লৈবা য়ুমদা ঙসি সদ্যাসিয়াতা অভিয়ানগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অশানবা মীৎয়েং মখাদা থৌরম অসি মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অসি দল অসি পাকথোক চাউথোকহনবগী ৱাফম খক নত্তনা লমদম অসিগী নাগরিক খুদিংমকপু হেন্না ফগৎহন্নবনি। মহাকা হায়-ভারত্তিয়া জনতা পার্টিনা মীয়ামগী শক্তিদা মতম চুপ্পদা থাজৈ। বি.জে.পিদা এনরোলমেন্ট তৌবগী থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

**বন্দ (এল)ঃ** কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ফাজিনখিবা মীওই অনি অথুবা মতমদা থাদোকবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎকদবনি হায়বা দাবী তৌদুনা, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এসিনা কৌরিবা পুং ৪৮ গী থৌবাল বন্দনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীরে।

জিলা অদুদা দুকান, কৈথেল অমদি অতৈ লল্লোন ইতিক তৌফমশিং থোং লোল্লে, লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং কা হেন্না হন্থরে। স্কুল অমসুং কলেজশিংদা মহৈরোইশিং কান্নখিদ্রে। বন্দ শৌগৎপশিংনা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৱানগী থৌবাল ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীদা ড-ৱা ফৈজিন্দুনা অচৎ অওকশিং থিংখি। অদুমওইনমক, হৌজিক ফাওবগী ওইনা বন্দনা মরম ওইদুনা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

মীওই অনি ফাজিনখিবা থৌওং অদুগা মরী লৈননা ওল ককচিং ক্লবস কোওর্দিনেটিং কমিতিনা শিন্দুনা ককচিং বজারদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা সরকারনা অথুবা মতমদা মতিক চাবা থবক লৌখৎতুনা ফাজিনখিবা মীওই অনি অদু থাদোকপীরকবা হোৎনবীয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

মরক অসিদা, তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দল অমদি লুপ কয়ানা ফাজিনখিবা মীওই অনি অদু তেক্ত কায়দনা থাদোরকপীরকবা আপিল তৌনরক্লি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা লুবা নাবগী লমদা চত্থরিবা স্বাচছতা হি-সেভা-২০২৪, কেম্পেইনগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা হয়েং ওক্তোবর অনিগী অয়ুক পুং তরেৎ তাবা মতমদা ৱারি-ৱাতাই শান্নবগী থোরম অমা শন্দোকচগনি।

**টেক্স (এল)ঃ** প্রিন্সিপাল চীফ কম্মিস্নার ওফ ইনকম টেক্স ওফিস-নোর্থ ইষ্ট রিজন-গুৱাহাতিনা শিনদুনা দাইরেক্ট টেক্স রিফোর্ম এন্দ ইজ ওফ দুয়িং বিজিনেস হায়বা হীরমদা সেমিনার কম আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপুরনা অসামগী হেক মথংদা লৈবাক অসিগী টেক্স রিভিন্যু খোমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মসিনা

লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা মতেং পাংলি।

রাজ্য অসিদা হৌখিবা থা খরা অসিদা নুংঙাইতবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকপা অমদি অৱা অনা কয়া লৈরবসু রাজ্য অসিগী চাউখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা মায় পাকা চংশিল্লি হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনগী প্রিন্সিপাল চীফ কম্মিস্নার-চৈতালি পানমৈনা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালগী চিংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শ্রী পানমৈনা হায়-থৌরম অসি এনগেঞ্জমেন্ট প্রোগ্রাম অমা ওইনা টেক্স থিরিবা মীওইশিংগী অৱাবা খুদোংচাদবশিং খন্নগনি অমসুং মখোয়গী খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংনা হোৎনগনি।

শ্রী পানমৈনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌখিবা থা খরা অসিদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরগসু লমদম অসিদা লৈরিবা লল্লোন ইতিক তৌরিবশিং অমসুং ইন্টরপ্রেন্যুরশিংনা থৌনা হনবা লৈতনা হোৎনরিবা খুদিংমক থাগৎনিংঙাইনি।

আউটরিটচ প্রোগ্রাম অসিদা রাজ্য অসিগী ওইনা টেক্স য়ামা থিরিবা অমদি দিদক্তর ওইরিবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরদা থবক তৌরিবা লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিং, চাটর একাউন্টেনশিং অমদি টেক্স প্রোফেসনেলশিং শরুক য়াখি। মখোয়না লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অমদি আইননা য়াদবা মওংদা তোঙান তোঙানবা টেক্স কয়া লমহেন তুহেনবশিংনা মরম চাদনা লৌরিবশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া পুখৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুর চেম্বর ওফ কর্ম্মসকী মেম্বর-ডা: থাংজম ধভলিনা হায়-রাজ্য অসিদা চহি অমা মখায়রোম হেনজিল্লক্লবা ইরাং অসিনা লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিংদা চাউনা চৈথেং পীরি। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ইন্টরনেট থিংবনচিংবা তৌরকপদগী ই-ফাইলিং অমদি ই-পেমেন্ট তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকখি।

**রঞ্জন (এল)ঃ** হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হায়রি-অনা লায়েংগী শিনফম অসি য়ামা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা অমসুং শিংনবা অমগা লোয়নবা শিনফম অমনি। মসিনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগা পাউ ফাওনবা ঙমবগী খুদোংচাবা পীরি।

ইম্ফালগী জেনিমসতা ঙসি পাঙথোকপা এম.বি.বি.এস. অমসুং বি.দি.এস. মহৈরোইশিংগী কোট এন্দ কোট টেক্কিং সেরিমোনিদা শরুক য়ারদুনা ডা: রঞ্জননা হায়-মহৈরোইশিংনা কন্না হোৎনদুনা শিনফম অসিদা চংনবা হোৎনবা তঙাইফদে। রাজ্য অসিগী মেদিকেল তম্ফমশঙশিংদা লৈরিবা খুদোংচাবশিং অতোপ্পা রাজ্যগী মহৈরোইশিংনসু লৌনবা হোৎনগদবনি।

মহাকা হায়-ঙসি ৱাশক লৌরিবা মহৈরোইশিং অসি মখোয়গী শিনফম অদু মীয়ামদা পীবা হৌনবগী দায়ত্ব অদু পীরবনি। মসি ইচম চমা লৌরোইদবনি। শিনফম অসিদা দায়ত্ব খঙনা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। জেনিমস হোস্পিতালদা মথৌ তৌরিবা ষ্টাফ অমদি অতৈ মরি লৈনবা মীওইশিংনসু মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পুকিং হকচাং য়াওনা হোৎনগদবনি। হকশেলগী লমদা হকশেল মন্ত্রালয়না পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং মহৈরোইশিংনা লৌনবা হোৎননবসু ডা: রঞ্জননা আপিল তৌরি।

**নোনে (এল) ঃ** নোনে জিলাদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়-জিলা অদুগী মফম কয়াদা চীং নীংখায়বা অমসুং লৈনাং চেন্থরকপগী থৌদোকশিং থোক্লে। জিলা অদুগী অৱাং খুল অমসুং রাংখুং ভিলেজদা চাউনা চীং নীংখায়বদগী নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা ওইরে । অদুমওইনমক, চিং নিংখায়রিবা মফম অদু শেংদোকপগী থবক চথরি। পোৎ য়াওদবা গাড়িশিংদি লম্বী অদু লান্থোকপা য়ারে। মাল পুবা গাড়িশিংদি লানবদা

অথিংবা থল্লি। অদুমওইনম,লানবা য়ারবা মাল য়াওদবা গাড়িশিং অহিংদা লান্থোক্কুনা চৎপীদনবা হায়রি।

নোং অসিনা মরম ওইদুনা অকুৎপা মফমশিংদা থাবা মহৈ মরোংশিং অমাং অতা থোক্লে। লোংমাই বজারসু ঈশিং থুমজিল্লে। জিলা অসিগী মফম কয়াদা হৌজিক ইলেক্ট্রিকসু ফংদ্রে হায়রি।

**ডে (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস অনিনা পুন্না শিনদুনা ঙসি মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অহল ওইরবা মীওইশিংবু চেকশিন্না য়েংশিনবীবা অমসুং মখোয়বু পুকিং থৌগৎপীবা হায়বা হীরমদা ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মহেশ চৌধুরিনা হায়-ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অহল ওইরবশিংনা লৌরিবা থৌদাং, মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবগী পান্দমদা মালেম পুম্বদা ঙসিগী নুমিৎ অসি পাঙথোক রিবনি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থওইবীদ্রবা অহলশিংগীদমক্তা ফাইজাংদা ওল এজ ডে কেয়ার সেন্টর অমা লিংখৎনবা হোৎনরি। খোঙথাং অসি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থওইবীদ্রবা অহলশিংগী শাফগদবা মফম অমা থমবগী ৱাখল্লোন্দা পায়খৎপনি। মখা তানা চীফ মেদিকেল ওফিসার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ৱেলফিয়ার ওফিসকা তান্নদুনা অহলশিংগী লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

নোনে জিলাদসু অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস-নোনেনা শিনদুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন থৌরিফিদসু অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অহল ওইরবা মীওইশিংদা কম্বল অমসুং অহাউ অথুম য়েন্থোকখি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** স্বাচছত হি সেভা কেম্পেইনগী মনুং চন্না মিণি ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন-রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা ঙসি মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা লু-নানবা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। মসিদা, মীয়াম পুমমকা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা আপিল তৌরি।

**ব্লড (এল) ঃ** ব্লড সেন্টর জেনিমস ইম্ফাল অমদি ষ্টেট ব্লড ত্রান্সফোর্মেসন কাউন্সিল মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি নেসনেল ভোলুন্টরি ব্লড দোনেসন ডে-২০২৪ গী পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী জেনিমস হোস্পিতালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঈ দান তৌবা চহি ২০ ফারকপা অমসুং ঈ দান তৌরিবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকপা হায়বা হীরমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা জেনিমসগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: লোকেশ্বরনা হায়-ইশানা য়ানা ঈ পীরিবা অমদি মমল লৌদনা অতোপ্পগী থৱায় কল্লিবশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎফম থোকই। মহাকা হায়-ইশাগী ঈ পীথোক্লগা হকচাং শোন্থগনি হায়বসি অরানবা ৱাখলনি অমসুং ঈ পীরিবা মীওই অদুগী লমচৎ শাজৎ অমসুং চিঞ্জাক কান্বা য়াদে।

থৌবাল জিলাদসু ঙসি নেসনেল ভোলুন্টরি ব্লড দোনেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু মনিপুর সরকারগী ষ্টেট সোসাইতি অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা শিনদুনা থৌবাল জিলাগী দি.সি.

কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবনি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা ২০ লক্তগী তাদনা ঈ দান তৌখ্রবা ব্লড দোন্নরশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**নোনে (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনেনা শিনদুনা ঙসি জিলা অসিগী প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা ৱার্ল্ড হার্ট ডে অমসুং মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

যুজ হার্ট ফোর এক্সন অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিংদা হেন্না কুপা য়েংশিনবীবা হায়বা হীরমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা-থুইগোংলিয়ু গাংমৈদা ষ্টেট ভেষ্ট আশা এৱার্ড-২০২৪ গী মনাসু খুৎশিন্নখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা আশা ৱাকর, নর্স, ডাক্তর অমদি অতৈ অখঙ অহৈশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কমপ্রেহেন্সিপ প্রাইমারি হেলথ সেন্টরগী মখাদা আশাশিংগী ওইনা এক্সটেন্দেন্ট পেকেজ সার্ভিসকী ত্রেন্নিং অমসু পাঙথোকখি।

**এআর (এল) ঃ** স্বাচছতা হি-সেভা ২০২৪, কেম্পেইন য়োকখৎপগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী হাউচোং খুলদা পাঙথোকখ্রে।

খুঞ্জাশিংবু লু-নান্নবগী কান্নবা খঙহনবা অমসুং অকোইবগী ফিভমবু মতৌ করমা লুনা-নান্না থমগদগে হায়বগী মতাংদা খুঞ্জাশিংবু হেন্না ভাব তাহন্নবগী থৌরমদা ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি। ওজা, মহৈরোই য়াওনা পুন্না খুঞ্জা ৪৫ না থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**কম্ম্যুনিতি(এল) ঃ** ষ্টেট হেলথ সোসাসতি মনিপুর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাহতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা অৱাং সেকমাইদা মোদেল এদোলেসন ফ্রেন্

দলি হেলথ ক্লিনিক, কম্যুনিতি হেলথ সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরগী ষ্টেট দোনেল ওফিসার-ডা: ৱাহেংবম জল্লিনা হায়-ক্লিনিক অসিদা কাউন্সিল্লিং এক্তিভিতি, শান্নবা, রিক্রুইয়েসন রুম অমসুং ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট শুনা থম্বা মফমনি। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা হকচাংগী ফিভম ফন্না থমবা হোৎনবদা মতেং পাংগদৌরিবা মফম অসিদা অঙাংশিংবু থাবীরকবগী অপাম্বসু মহাকা ফোংদোকখি।

**মোদি ঃ** ভারত অমসুং জমেকা লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্ন খোৎনবা চাউখৎহনবা, কালা সংস্কৃত্তি য়োকখৎনবা অমদি অমগা অমগা তেংবাং পীনবা য়াওনা দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদা য়ান্ন-চেশিং সহি তৌনখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমস্ং জমেকাগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: এনদ্রিয়ু হোলমেসকা ন্যু দিল্লিদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্ন-ৱারোল অদু সহি তৌনখিবনি।

তুংদা, লুচিংবা অনিনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ভারত অমসুং জমেকাগী মরক্তা অফবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা য়ান্ন-চেরোল অদু সহি তৌনখিবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-দিজিটেল পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর, স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রি, বাইও ফ্যুয়েল, ইনোভেসন, হকশেল অমসুং মহৈ মশিংগী লমদা লৈবাক অসিগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং তাথোক তাশিন তৌনগনি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অনিমকা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফম ওহরিবা দ্রগ ত্রাফিক্কিং অমসুং টেরোরিজমগী মতাংদসু পুন্না থেংনমীন্নবা হায়না য়ান্নখি।